থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পুন্সিগী ৱাহন্থোক থিমীন্নবা

ঐগী মরুপ অমনা তত্তনা হায়, মমিংদুদি পন্থোকচররোই মাগী মরন্নাই ৱাখলদু মীমাঙদা পুথোকই খন্না ৱারৌখিবা য়াই... 'ফজবা নুপী কনানো মশক তাকপা লুদবনি- ঐগী নুপী নত্তবা মীগী নুপীদু ফজবা নুপীনি'...। অদোম্নসু মাগী ৱা অসি য়াবীনিংদবদি য়াই, অদুবু ৱাখল খন্থনীংঙাই অমদি য়াওবনি। ঐদি মাগী ৱাহৈশিংসি ফজবা নুপী অমা উরুবা খুদিং হেক্তা নীংশিংই। খনগনু য়াদে, হেক্তা খল্লকই- কনাগী নুপী ওইরিগবা ! ওন্থোক্লা ফজখ্রেদা !

অদুগা, অদুগুম্বা তাঞ্জাদা ঐগী লোয়নবী, নুংশিথোইবীগা চৎমিন্নরুরবা, হায়রক্কনি শোয়দনা... 'নমীত্তুনা নুপী ফজবী অমা উবদা হেক্তা য়েংনীংলিবদুবু- নহাক লুহোংলবা নুপানি হায়বসি হেক্তা কাউথোকপ্রা?...'

ঐনা খুম্মী, 'পঙখ্রেদকো নহাকসে ! মখোয়সি উরুরগনিনে ঐনা ঐহাকসি লুহোংলুরে হায়বদু নীংশিংলক্তুনা ইথন্তা তকসী শোঞ্জরিবসে !'

অসিগুম্বা ৱারীসি, পাউদম অসি পাবীরিবা অদোমদি নোংমতা শানবীদবরা? শানবসু য়াওরমগনি। ৱারী ওইনা শানদ্রবসু ৱাখলসিদি শোয়দনা খনবীরমগনি। ইশানা ইশাবু মীনম্লগদি খঙদ্রে। নৎত্রবদি, শোয়দনা হায়দোক্লক্কনি- নীংতম্বা ৱাখলনা খনখিবা 'খনহৈদব'নি হায়নবা ৱাখল কয়া। অদুবু কৌই- হিংমিন্নবা, হিংমিন্নবগী নুংঙাইবা !

পুন্সি হায়ববু করিনো? হিংমিন্নরিবা মশেন অমনা অমদা তৌনবা তাৎ মচা মচাসি য়াওদনা কদায়দগী পুন্সিগী ৱাহন্থোক ! ৱাহন্থোক হায়না ঐনা শীজিন্নজরিবসি ইংরাজিদা 'মিনিং' হায়বদুনি। মিনিং ওফ লাইফ, পুন্সিগী ৱাহন্থোক ! ৱাহৈ অমগী ৱাহন্থোক নত্তবা !

থৱায় পানবা অমা ওইনবু পোক্লবা- শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তূমিৎ-কাঙ অমদি মী-মখোয় পূম্নমক পুন্সি অমমম শাগোন্নে। অদুবু, পুন্সিগী মমল অমদি ৱাহন্থোক হায়বগী ৱাখলসিদি মী ওইনা পোকপা মখোয়তনা শাগৎপনি। মী মরক্তুদসু মখোয় খরখক্তুনা শা-ঙা-উচেক-ৱায়াগুম পোক্লরবা কৌবনা হিংনবগীদমক অফং অফংবা খরা চাবা-থকপা তৌদুনা লেনবদুদি ৱাহন্থোক লৈতবা পুন্সিনি। অদুদি, 'মিনিং' (ৱাহন্থোক) অদু কনানা পীরক্কনি? কদায়দা থিরুগনি? মচী অমদা তারমগদরা? নো ! মদুদি ঐখোয়না থিগদবা নত্তে, শেমগদবনি ইশানা। শৈরেং অমা ইরিবা, ঈশৈ অমা শেল্লিবা/শক্লিবা, জগোয় অমা শারিবা... পুন্সিগী ৱাহন্থোক শেল্লিবনি। বুদ্ধ, জিসস, মোহম্মদ, মহাবীর, শ্রীচৈতন্য... মখোয় পুম্নমক পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙখি। লৈকোলদা, উমংদা, লমহাংদা চৎলগা থিরুবা নত্তে। শেমগৎচখিবনি মশানা। মখোয়না ঈশ্বর ফংখি, ঐখোয়গীদমক থম্বীরমখি। থিরুরগা ফংখিবা নত্তে, শেমগৎলগা থম্লম্বনি। থম্মোয়সিনা ইনশিল্লগা তমজরিবা পাউদমসিবু তাবীনিংদবরা? ইনিং তম্মি খনবীগনু। অদোমগী থম্মোয়দা হুল্লিবা মিহুলদু খঙজদবনা, ঐগী থম্মোয় ইহুলনা ইনশিল্লকপদুতনি ইজরিবা। মীওইবগী থম্মোয়নি ইহুল মান্নবা কনাগুম্বদি য়াওরমগনিদনা।

নিউতনগী 'গ্রেভিটেসনল লো', আইনষ্টাইনগী 'থিওরি ওফ রিলেটিভিটি', দার্ৱিনগী 'সর্ভাইভেল ওফ দ ফিত্তেস্ত থিওরি' খঙননবা ঐখোয় নিউতন, আইনষ্টাইন, দার্ৱিন ওইরুদ্রসু য়াইদনা। গান্ধীমক ওইনবা হোৎনরুদ্রবসু মাগী ৱাখল্লোনদি খঙইদনা। মতৌ অদুগুম- জরাথস্ত (জোরাস্ত্রনিজম হৌদোক্লম্বা), জিসস, মোহম্মদ, বহাউল্লা, মহাবীর, নানক, চৈতন্যনচিংবা ময়াম্না শেমগৎলম্বা পুন্সিগী মিনিং... পুম্নমক অসি কোক্তা চীনফা পুবনা পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙলবনি খনবা মী- মরাঙ কায়না লৈ ঐখোয়গী ইরক্তা।

ঙসিগী থম্মোয় পাউদম- মখোয়দা অপান্নবা তমগে খঞ্জরুবনি। খঙদে, মখোয়নবু পাবীগদ্রা? অদুবু, পাবীগদৌরিবা খরদুনদি শোয়দনা তমগনি মতাং চাবদা। মদুগী থাজবা অদুনা ইহল্লিবনি ঐহাকপু।

ৱারৌবীনু। ৱা অমত্তা হায়জগে। ঙসিগী মীওইবশিংগী পুন্সিবু মহাও য়াওহন্দ্রিবা, মশক থীহল্লিবা, ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রিবা- কাঙলুপ কাঙলুপ নাইনা থম্বীরম্লিবা মীওইবগী ধর্ম্ম (রিলিজন, লাইনীং লম্বী) ময়ামসিননি। উমং-ৱামং-শুরুংদা, চাবা থকপা কাউদুনা, অঙৈং-অশা খঙদনা, মমিৎ অনী উইশিল্লগা, মন্ত্র লীশিং শোল্লিবদু লাই নীংবনি, ঈশ্বরগী মনাক নকপনি- হায়, মহাক অচৌবনি। অদুগা, হোংবা নাইররোইদবা, চহী চা কয়াগী মমাঙদা হায়রম্বা/ইরম্বা লাইরিক্কী ৱা, মশাগী লৈথেৎ-লৈথোনগা লোয়ননা শন্দোক্লিবা লাইগী ৱাপাউ- শন্দোক্লিবা মখোয়, অচানবা লাইগী মনাইনি। মখোয়না অনৌবা পুন্সিগী করি মহাও হাপ্লবগে? অনৌবা পুন্সিগী ৱাহন্থোক করি শেম্বা ঙম্লবগে? হান্না লৈরম্বা পোৎশক অমগী মশক তাকপা- মদুদি ক্রিয়েসন নত্তে, শেমগৎপা নত্তে শেমদোকপনি।

লাই হায়বদি নুংশিবদুনি। নুংশি-পাউজেল অদুনি লাইগী মপাউ। ফজবা শৈরেং নুংশিবা ঈশৈ-সিদৈ হেনবা নুংশি-পাউজেল করি লৈ? লৈশক শুনা শাৎলিবা, লৈনম শুনা তিল্লবা লৈকোল অমদা তম্ফা থিবা লাকপা নুপা অমনা হায়গনি- ৱাহন্থোক লৈতে লৈকোলদুগী। নুংশিবা লৈনম, লিরি শিৎপা মালংবা, চেক্লাগী খোঞ্জেল তাবা লাকপা মহাক্লদি হায়গনি- কয়াদা ফজখ্রবা লৈকোলনো !

পুন্সি-লৈকোল তাইবংসিদা পুন্সিগী ৱাহন্থোক থিবীনীংলবা- পূক্নিংদুদা অনীংবা অপাম্বা অমা লোয়নরগা চৎলুনু। চৎপীয়ু, অঙৌবা চেবাংগুম্বা থম্মোয় অমা পুদুনা।

নোংমতা দ্রামা য়েংউ য়াদবা ঐগী মরুপ অমনা নোংমা হায়রম্মী- 'ঐনা নোয়গী দ্রামা/সিনেমা য়েংনীংদবগী মরমদি- নুপাদুনা পামজবা, নুপীদুনা য়াদবা; য়ারমদবা নুপীদুনা য়ারকপা নুপাদুনা লৈথোকখিবা... অনীমক্লা য়ানরকপা মীকুপ্তা -ৱারীদুগী অরোইবা ওইখিবা- মদু ঐহাক য়েংনীংদে... মদু পুন্সি মশক খঙদবনি...'।

খঙবীবরা? মাগী অপাম্বদু ফংদবনা, দ্রামাদুগী ৱাহন্থোক ফংদবনি। মদুমক্লি পুন্সি।

লৌশিং পুক্কে

# এয়র পোল্যুসননা

## তপ্পা তপ্পা মীওইবগী পুন্সি তেনশিলহল্লি



মালেমদা এয়র পোল্যুসনগী চাং নোংম-নোংমগী অসুম ৱাংখৎলক্লি। মসিনা থৱায় পানবশিং মরুওইনা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। পুনেদা লৈবা ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ ট্রোপিকেল মেটিওরোলোজি (আই আই টি এম) না চথখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপশিং নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওখিবনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা চহী ৩.৪ রোম পুন্সি তেলহল্লে হায়রি।

হিন্দুষ্টান টাইমসতা ফোঙলক-খিবা ষ্টদি অদুগী রিপোর্টনা হায়খি, ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবসি দিল্লিদা লৈরিবা মীওইশিংনি। মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং চাংচৎতা চহী ৬.৩ লোম পুন্সি তেনশিল্লক্লে।

কুমজা ২০১১ গী অনৌবা পোপ্যুলেসন সেন্সস মতুংইন্না চহী খুদিংগী ইন্দিয়ন মচা লাখ ৫.৭ লোম পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম) না মরম ওইদুনা শিরি। মসিগীসু মথক্তা অতোপ্পা মীওই ৩১,০০০ নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা গ্রাউন্দ লেভেল ওজোন (০৩) য়াওখিবদগী শিরি। পার্টিক্যুলেটমেটর হায়বসি নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপগী চাং অদুনি।

পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম) গী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলকপা মরম্না এয়র পোল্যুসনগী ৱাফম অসি তরাইনা লৌবা য়ারক্ত্রে হায়না ষ্টদি অদুগী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর ওইখিবা ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ ট্রোপিকেল মেটিওরোলোজি (আই আই টি এম) গী সচিন ঘুদেনা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না মালেমগী লৈবাক ১০০ গী সিটি ৩০০০ গী মরমদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না দিল্লি অসি মালেমদা ১১ শুবা খ্বাইদগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপা মফম ওইরে। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, এয়র পোল্যুসননা মরম ওইরদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি বিহারগুম্বা অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিংসু মথংশিৎনা চহী ৬.১ অমদি চহী ৫.৭ কী চাংদা পুন্সি তেনশিল্লক্লে। সেন্ট্রল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি) না ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী সিটি ৯০ রোমদা ওইরিবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়রি।

অমরোমদা, স্বিদেনগী য়ুমিয়া য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা মরম ওইরদুনা মালেমদা অঙাং শিনা পোক্লকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুমিয়া য়ুনিভর্সিটিগী অন্না ওদিননা হায়খি, নুংশিৎতা য়াওবা নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ (এন ও ২) অমসুং পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম ১০ অমদি পি এম ২) অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লে। মসিনা মরম ওইরদুনা অঙাং শিনা পোক্লকপা, পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং শিবা অমসুং অঙাংশিং ৱাখল লায়না নাবগী চাং হেনগৎহল্লে।

বৃটিশ মেদিকেল জর্নেল (বি এম জে) দা ফোঙলকখিবা ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুংশিৎ মোৎপদগী ইস্কেমিক হার্ট দিজিজ নাদুনা অঙাং চাদা ৮০ রোম মনুং মতম চাদনা শিরি। অতোপ্পা অঙাং চাদা ১৪ না ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি) নৎত্রগা একুট লৱর রেস্পিরেটরি ইনফেক্সননা মরম ওইরদুনা শিরি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা অঙাং চাদা ৬ লোম লংস কেন্সরনা মরম ওইরদুনা মনুং মতম চাদনা শিহল্লিবনি।

অমরোমদা দেনমার্ককী য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেননা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, এয়র পোল্যুসনগী চাং অসি অসুক্কী মতিক খুদোংথিনিংঙাই ওইরে মদুদি মমাগী পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদফাওবা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগী ফীভমদা লাক্লে। নুংশিৎ ক্যুবিক মিটর অমদা য়াওবা অমোৎপা মাইক্রোগ্রাম ৪ খক্লা মমাগী পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অমবু শিহনবা ঙম্মী।

পুম্নমক অসি য়েংলুরগা মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা মশা-মশানা ঙমজবা থাক্তা এয়র পোল্যুসনগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# নুপীশিংসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা অচৌবা চৈথেং পীরক্লে : কাদা

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস): কাদানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংনবা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা য়াইফ থৌরাং নিশা বনধি মরুপ, দ ব্রাইট রে ক্লব অমসুং কাদানা পুন্না শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা নুপাখক নত্তুনা নুপীশিংসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা অচৌবা চৈথেং পীরক্লে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা সোইবম চিত্রানি ভাইস প্রসিদেন্ট য়াইফ থৌরাং নিশা বনধি মরুপ, হুইদ্রোম বিমোলা এদভাইজর য়াইফ থৌরাং নিশা বনধি মরুপ, পেবম, শিলা, জেনরেল সেক্রেটরি য়াইফ থৌরাং নিশা বনধি, খুরাইজম মেধাপতি প্রসিদেন্ট কংলৈপাক চনুরা কনবা লূপ, ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোংনেন্থী, থোকচোম পুর্ণিমা প্রসিদেন্ট অৱাং কোঞ্জেং লৈকায় নিশা বনধি, সাপম ইনাখুনবী প্রসিদেন্ট গুরু নোংশাবা লাইকোল নুপী সমাজ চাউখৎ লমজিং লূপ অমসুং হিজম প্রিয়োকুমার প্রসিদেন্ট কাদানা থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী রিছোর্স পার্সন ওইনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা শরুক য়াখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা খুরাইজম মেধাপতিনা হায়খিবদা, অলকোহোল অমসুং ফার্মাসিয়ুটিকেল দ্রগ অমা ওইরিবা এস পি কেপস্যুল অসি অনা-লায়েংবদা শীজিন্নবা হিদাক মখলশিংনি। অদুবু হায়রিবা হিদাকশিং অরানবা লম্বীদা শীজিন্নবদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক ওইনা থোক্লকপনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মরম ওইরগা ইমুং মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্তবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি।

সাপম ইনাকখুনবীনা হায়খিবদা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লক্লিবা অসি য়ামখ্রে। নুপা খক্তনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী চৈথেং ফংলম্বা অদু ঙসিদি নুপীশিংসু য়াওনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা চাউনা চৈথেং পীরে হায়খি।

সোইবম চিত্রানিনা হায়খিবদা, য়ু য়োনবা মীওই অদুদি শেল পায়খিবা য়াই অদুবু ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদি য়ুদা লাইচুহৌগনি। লমদম অসিদা য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মরম ওইরগা ঐখোয়গী নহারোল অমসুং অহল্লোন কয়া তুরোই ঙল্লোই তৌদুনা লৈরে। অদুনা হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিং কঞ্জনবা নিশা বনধিগী ঈহৌ কনখৎহল্লসি হায়খি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়খিবদা, লমদম অসিদা য়ু থিংনবা শেমখিবা দ মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ অসি চৎনরিব্রা চৎন্দবরা হায়বসি ৱাহং অমনি। মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা য়ু ফংদবা লৈত্রে। লৈকায় লৈকায়গী ইমা-ইবেলশিংনসু ঈহৌ কয়া চঙশিল্লি অদুবু ফংদবদি লৈত্রে হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# কোলেজ ৱিক্কী থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস): নুমীৎ ৬নি চুপ্পা দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন ইম্ফালগী চথুরকপা ওজাগী ট্রেনিং তৌরিবশিংগী টেলেন্ট উৎথোকচনবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টতা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগা লোয়ননা ৪৯শুবা কোলেজ ৱিক লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হৌখিবা মার্চ২৫দগী পাঙথোক্লকপা ৱিক লোইশিনবগী থৌরমদুদা কোলেজ ৱিকঅসিগী স্পোর্টস ইন-চার্জ ওইরিবা ডা. ঐচ সুরেন্দ্র শর্ম্মা, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ফিজিকেল এদ্যুকসেন্না হায়খিবদা, ট্রেনিং তৌরিবা ওজাশিংদা ওল রাউন্দ দিভেলপমেন্ট হায়বা য়ুম্ফমদা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা টেলেন্ট উৎথোকচনবগী পান্দমদা কোলেজ ৱিক অসি পাঙথোকপনি। মহৈরোয়শিংদা ওজাশিংনা লাইরিক খক তাকপী তম্বীবগী মথক্তা কো-কলিক্যুলর এক্টিভিটিজশিংদসু হেন্না শরুক য়াহন্দুনা মপুং মরৈ ফাবা মী অমমম ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লোইশিনবগী থৌরমদুদা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংগী মকোক মথং থাখ্রবা ট্রেনিংশিংদা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

| ঙসিগী রাশি ফল | অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ<br>এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস<br>চীংমৈরোং, ইম্ফাল। |
|---|---|

তাং ১।০৪।২০২২ ইং, ইরাই; নুমিৎয়ুংবা পুং ১১.৫৪ ফাওবা লমতাগী থাশুনি, মতুংদি শজিবুগী নোংমা পাল্লনি।

**মেষ:** লন ফংবা, মীয়াম্না চানবীবা অমদি ইমুং-মনুং হরাওনা লৈমিন্নবা নুমিৎনি। নচা-ননাইদি ময়েং তাবা, নাপল তৌবনা কায়নবা নংবা য়াবা, নীংবা মপা চাদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** নীংহন্নদবনা ওইজবা ফংবা, খূৎচাও থাবগী কান্নবা, লেংদবা লন ফংজবা নুমিৎনি। নখা থাবা লোয়নবদগীসু কান্নগনি। অফা-অপুনগী থবক্তদি য়াওরুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** থবক্তা নচাক নরল থাদবা মতাং চাই, মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবসু য়াবা নুমিৎনি। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি। ফিংবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীগী মতেং লৌবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** পল্লম্বা লন ফংবগী নুংঙাইবা, মরুপ অফবা ফংবা অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াবা নুমিৎনি। অনম তানবা অমদি মীৱা য়াম্না লৌবদি মাঙজগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** থেংলপ্পা অরং-অরাক ফংবগুম মায় পাকচবদি লৈগনি। অঙনবদদি তৌগদবা থবক্তা ঈংথনা অনীরক্তি খন্থরগা থৌ পাঙবা ফৈ। নচা-ননাই লোয়নবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** পল্লম্বা লন ফংবগী নুংঙাইবা, শেন্দোং তানবা থবক্তা খূৎচাও থাবা য়াবা অমদি নীংবা মপা চাবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎপা, চিন শোয়বনা চোপ্পদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**তুলা:** নীংবা মপা চাবা, শেন্দোং য়াম্না ফংবা, লৌশিং চাওবনা ৱাখল তান্নবা অমদি মীয়ামগা হান্নগুম মরী ফগৎপা নুমিৎনি। ইমুং-মনুংদা হুরানবনা তাথিবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ ইনুং নুংঙাইরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** মরুপ-মপাং অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎকনি, খল্লুদবা কান্নবসু ফংবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবা লৈ। ঙম্মে হায়দুনা নাপলদি তৌগনু-পামদবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** ইমুং-মনুং ৱাতান্নবনা শোয়দনা অফবা মীংচৎ ফংগনি অমদি পাঙঙমদবা থবক পাঙবগীসু নুংঙাইজবা লৈ। নকন্থিনা নরল মাঙহনবা য়াবা লৈ-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর:** খোইরাংবা অমদি খূরৌ থাংবা খরদি লৈগনি-পূক্নিং ফাথনা থৌ পাঙউ। থেংলপ্পা য়েক্লববু ঙমজদুনা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজগনি, লান্দবনা লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** অঙম্বনা চানবী অমদি মরুপ-মপাংনা লুনা খনবীবা অমদি খল্লুদবা কান্নবসু ফংজবা নুমিৎনি। অহৈ-অশিংদি শাগনু অমদি অনম তানবনা লন মাঙজবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মিন:** শেন্দোং য়াম্না ফংগদবা, ৱাখল নুংঙাইবা, নথক থোংবগী মতেংনসু ওইজ-ওইথক হেন্না ফংগদবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা ওৎপনা মীকোক থোংবদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# মোচা কাংজম





লাই হরাওবদগী ঐখোয় করি তম্নবা, করি খঙনবা হোৎনরি, ৱাহং অসি নুংশিৎতা তীনখরে। লাই ইকৌবদা কনানা কনাবু কৌরি, কনানা কনাবু নীংশিংলি।

Mocha Kangjam is a field recordist/sound engineer based in Imphal